**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 14-03-2024)**

**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ১৪-০৩-২০২৪, শগোলশেন)**

--সিগনেচর ট্যুন--

**---অকাশবানি ইম্ফাল ঙাংবম ঙাম্থোইনা পাউ পাজরি---**

--**অহানবদা মরুওইবা পাউ**--

১) নম্বোল অমসুং লোইতাং খুনৌগী ফাইয়র সব স্তেসনশিং ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

২) বি.জে.পিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক দলগী মীরেপ ৭২গী মীং য়াওবা অনিশুবা লিস্ত লাউথোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) **রাষ্ট্রপতি** দ্রৌপদি মুরমুনা উত্তরখনদা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ বিল ২০২৪ চৎনবদা অয়াবা পীখ্রে ।

**--সিগনেচর ট্যুন---**

**বিষ্ণুপুর(এল)ঃ** নম্বোল ফাইয়র সব স্তেসন ঙরাং রাজ্যগী শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাওজম বসন্তা কুমারনা শঙ্গাখ্রে। বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল লাইতোঞ্জমদা লৈরিবা স্তেসন অসিনা কিলোমিতর ১০ গী অকোয়বদা লৈবা কেন্দ্র ৫ -ওইনাম,নম্বোল, কোন্থৌজম , নাওরিয়া পাখঙলাকপা অমদি ৱাঙ্গোইগী শরুকশিংদা কান্নবা ফংগদৌরি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা মন্ত্রিনা হায়- লমদম অদোমগী মীয়ামনা মতম কয়াদগী মংলকপা মংলান সরকার অসিনা থুংহনবা ঙম্লে। সব স্তেসন অসি মপুং ফাবা স্তেসন অমা ওইহন্নবা হোৎনগনি। লোয়ননা দিজাস্তর ত্রেনিং তৌফম ফাওবা ওইহন্নবা হোৎনমিন্নসি হায়না মীয়ামদা ফোংদোকখি।

পিছ কন্মীতি নম্বোলনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরমদুদা ফাইয়র সার্ভিসকী দাইরেক্তর য়াওনা জিলা অসিগী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং শরুক য়াখি।

**সেকমাই(এল)ঃ** সেকমাই কেন্দ্রগী মনুং চন্না লৈবা লোইতাং খুনৌ ফাইয়র সব-স্তেসন ঙ্গাং সোসিয়েল ৱেলফ্যার মন্ত্রি হৈখাম দিঙ্গোনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা মন্ত্রিনা ফাইয়র সার্ভিস সব স্তেসন অসিগী ও.সিদা মোবাইল হেন্দ সেট অমসু খুৎশিন্নখি। মসিনা মায়কৈ অদোমদা মৈহৌ লাংপোক থোরকপা মতমদা ফাইয়র সব-স্তেসন অসিদা মীয়ামা পাউ ফাওরকপদা মতেং ওইগদৌরি। মসিগী মোবাইল নম্বরনা -৬৯০-৯৩৮৯-৫৮০ নি ।

থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা মন্ত্রিনা হায়- অতেনবা মতমগী মনুংদা লোইতাং খুনৌগী মফম অসিদা ফাইয়র সার্ভিস সব-স্তেসন অমা শঙ্গাবা ঙল্লিবসি লমদম অসিগী মীয়ামগী মতেংননি। ফাহয়র সার্ভিসকী দাইরেক্তরগী অচৌবা মতেংনা ঙম্বনি। মফম অসিদা সব-স্তেসন অসি হাংলিবগী মরমদি -সেকমাই কেন্দ্র অসি খ্বাইদগী ময়াই ওইবা মফম অমসু ওইবতা নত্তনা কেন্দ্র অসিগী মৈহৌলাংপোক থোরকপা মতমদা মতম চানা কনবা ঙমবগীদমক্তনি। মহাকা হায়- স্তেসন অসিগী ঈশিংগী অৱাৎপা লৈহন্দনবা অথুবা মতমদা পুখ্রি অমসু শেমগৎলগনি।

**নেগ্রিমস(এল)ঃ** নোর্থ ইষ্ট্রন ইন্দিরা গান্ধি রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ হেলথ এন্দ মেদিকেল সাইন্সেস (নৈগ্রিমস) শিলোংদা একাদমিক সেসন ২০২৪ -২৫ কী ওইনা বি.এ.সি নর্সিংদা এদমিসন তৌনবগী তোঙাননা এন্ট্রান্স টেস্ত পাঙথোক্লরোই হায়রি।

নৈগ্রিমসকী একাদমিক্স দিননা থোকপা চেরোল অমদা হায়- ইন্সটিট্যুট অসিদা বি.এ.সি নর্সিংদা এদমিসন তৌনিংবা মহৈরোইশিংনা নেসনেল টেস্তিং এজেন্সিনা লৌবা ২০২৪ দা পাঙথোকপা নিট য়ু.জি ক্বালিফাই ওইগদবনি। নিট য়ু.জিগী মার্ক বেসিসতা মহৈরোইশিং এদমিসনগীদমক খনগনি হায়রি।

**থৌবাল(এল)ঃ** পাৱর মন্ত্রালয়গী ব্যুরো ওফ ইনর্জিনা পায়খৎপা স্তেন্দর্দ লিভেল্লিং প্রোগ্রামগী মখাদা মনিপুর ষ্টেট পাৱর দিস্ত্রিব্যুসন কম্পানি লিমিতেদ এম.এস.পি.দি.সি.এলনা শিন্দুনা ঙরাং থৌবাল দি.সি কমপ্লেক্সতা লৈবা ইলেক্সন কাউন্তিং হোলদা নোংমগী ওইবা রিতেল্লর ত্রিনিং প্রোগ্রাম অমা পাঙথোখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাংবদা থৌবালগী দিপ্যুতি কম্মীস্নর অহেন্থেম সুবাসনা হায়- ত্রেনিং প্রোগ্রাম অসি মরুওইনা মীয়ামা শিজিন্নরিবা ইনর্জি অসি লোইবা নাই ।

মরম অদুনা মসি মতৌ করমা কনগনি হায়বা অসি রিতেল্লরশিংদা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। রিতেল্লরশিংনসু ত্রেনিং অসিদগী ফংলকপা লৌশিং অসিনা মীয়ামদা অমুক য়ৌহনগনি হায়খি।

থৌরম অদুদা এম.এস.পি.দি.সি.এলগী মেনেজিং দাইরেক্তর হিজম শান্তি কুমার অমদি ওফিসিয়েল কয়ানা শরুক য়াখি।

**ফেরজোল(এল)ঃ** চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী ওইনা হায়-স্কুল লিভিং সার্তিফিকেট একজামিনেসন ইং ২০২৪ থাগদবা মহৈরোইশিংগী ক্বেশন অমসুং অনসার সিট জিলাশিং অসিদা য়ৌরকখ্রে হায়রি।

ঐখোয়গী ফেরজোল পাউমীনা হায়-থা অসিগী ১৫ দগী হৌগদৌরিবা পারিক্ষা অসি চুরাচান্দপুর অমসুং ফেরজোল জিলাগী ওইনা পারিক্ষা সেন্তর ১৫ দা পাঙথোক্কনি। মসিগী ক্বেসন অমদি অনসার সিট য়ৌরক্তুনা লৈবতা নত্তনা চুরাচান্দপুর জেদ.ই.ও ওফিসতা পারিক্ষা অসিগী মাঙওইননা রিভিয়ু মীতিং অমসু পাঙথোকখ্রে।

**--তাবীরিবা পাউ অসি অকাশবানি ইম্ফালদগীনি---**

**বি.জে.পিঃ** বি.জে.পিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক দলগী মীরেপ ৭২গী মীং য়াওবা অনিশুবা লিস্ত ঙরাং লাউথোকখ্রে। কেন্দ্রগী মন্ত্রি অনুরাগ সিংহ ঠাকুরানা হিমাচল প্রদেশকী হামিরপুর লোক সভা কেন্দ্রদা মীরেপ ওইরগনি। নিতিন গদকারিনা নাগপুর সিটতা, পিয়ুস গোয়লনা মুম্বাই নোথ অমসুং ডা:ভারতি প্রবিন পৱারনা মহারস্ত্রাগী দিন্দোরি, পহলাদ জোসিনা ধরৱাদ সিটতা মীরেপ ওইরগনি। হরিয়ানাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি মনোহরলাল খত্তরনা করনাল সিটতা , উত্তরখনগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি ত্রিভেন্দ্র সিংহ রাৱাটনা উত্তরখনগী হরিদুৱার সিটতা অমসুং করনাতক্কাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি বসাবরাজ বোমাইনা হাবেরি সিটতা মীরেপ ওইরগনি। দল অসিনা দিল্লিগী লেমহৌরিবা লোক সভা সিট অনিগী মীরেপসু লাউথোকখ্রে । বি.জে.পিগী নেসনেল প্রসিদেন্ত জে.পি নদ্দনা সভাপতি ওইদুনা পাঙথোকখিবা বি.জে.পি সেন্ত্রেল ইলেক্সন কন্মীতিগী মীফমদা মীরেপশিংগী মীং লাউথোকখিবনি।

**মুরমু ঃ** **রাষ্ট্রপতি** দ্রৌপদি মুরমুনা য়ুনিফোর্ম সিভিল কোদ (য়ু.সি.সি) উত্তরখন বিল ২০২৪ অয়াবা পীখ্রে। বিল অসি চৎনখিবগা লোয়ননা উতরখননা লৈবাক অসিদা নিংখা তম্লবা তুংদা য়ু.সি.সি বিল চৎনবা অহানবা রাজ্য ওইরে। সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎলকপা ৱারোল অমদা উত্তরখনগী মুখ্য মন্ত্রি পুসকার সিংহ ধামিনা রাষ্ট্রপতিনা য়ু.সি.সি. বিল অয়াবা পীরকপদা নুংঙাইবা ফোংদোকখ্রে। শ্রী ধামিনা হায়-বিল অসি চৎনবগা লোয়ননা রাজ্য অসিগী মীপুম খুদিংমক চপ মান্নবা হক ফংহনবা ঙম্লগনি অমসুং নুপীশিংবু ওৎপি নৈবিবদগী থীংবা ঙম্লগনি। পনবা য়াই -চহি অসিগী ফেব্রুৱারি ৭ তা উত্তরখন বিধান সভাদা বিল অসিগী মতাংদা পুং ১০ চুপা খন্নরবা তুংদা বিল অসি পাস তৌখিবনি। য়ু.সি.সি আইনগী মতুং ইন্না অঙাং য়োকপা মেন্তেনেন্স, লন-থুমগী হক অমসুং খায়নবনা চিংবা হিরমশিংদা মীপুম খুদিংমক্তা চপ মান্নবা হক পীবা ঙম্লগনি।

**--ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিংগীদমক**
**হৌজিক মাংশাতবম প্রেমানন্দা লৈরে--**

**--প্রেমানন্দা---**

**----অরোইবদা মরু ওইবা পাউ অমুক---**

১) নম্বোল অমসুং লোইতাং খুনৌগী ফাইয়র সব স্তেসনশিং ঙরাং শঙ্গাখ্রে।

২) বি.জে.পিনা লাক্লিবা লোক সভা মীখলগীদমক দলগী মীরেপ ৭২গী মীং য়াওবা অনিশুবা লিস্ত লাউথোকখ্রে।

**অমসুং**

৩) **রাষ্ট্রপতি** দ্রৌপদি মুরমুনা উত্তরখনদা যুনিফোর্ম সিভিল কোদ বিল ২০২৪ চৎনবদা অয়াবা পীখ্রে ।

**--পাউ লোইজরে--**

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

### থাগৎচরি-ঙাস্থোই

চিফ মিনিস্তরনা ষ্টেট অসিগী অহানবা ৱাটর এম্যুসমেন্ত পার্ক শঙ্গাখিবগী পাউ, এন.আই.এনা য়ু.এন.এল.এফকী আর্মিসিফ য়াওনা মীওই অহুম ফাখিবগী পাউ , মনিপুরদা পুগদবা এক্সপ্লোজিব কিলো ৭০০ ফাগৎখিবগী পাউনা মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

পোকফমদা- ষ্টেতকী অহানবা ৱাটর এম্যুসমেন্ত পার্ক শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউগা লোননা লুপা কোতি ১৪০ রোম চংনা য়ুনিটি মোল অমগা কনভেন্সন সেন্তর অমগা শারগনি হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস, সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।
মনিপুরদা পুশিন্নবা হোৎনরম্বা এক্সপ্লোজিব কিলোগ্রাম ৭০০ হেনবা আইজোলদা ফারে হায়বা পাউনা পোকফম, হুইয়েন লানপাউ অমসুং সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

এক্সপ্লোজিব ফাবগী পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস অমসুং ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা - এন.আই.এনা য়ু.এন.এল.এফকী আর্মি চিফ য়াওনা অহুম ফাখ্রে কন্দিসন য়াওদনা থাদোকবা সি.এস.ওশিংনা তকশিনখ্রে হায়বা পাউনা অনিশুবা হেলাইন তৌরি। পাউ অসি মনিপুর নিউজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস , নহারোলগী থৌদাং, পিপলস ক্রোনিকল, হুইয়েন লানপাউ সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি ইদিসন,পোকফম অমসুং সনা লৈবাকা পাউচেদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

নহারোলগী থৌদাংদা লুপা ক্রোর ৮০ চংনা শাবা ৱাটর এম্যুসমেন্ত পার্ক সঙ্গাখিবগী পাউগা লোয়ননা মাইক্রোফোনদা লৈবাক নিংবা তোকশি হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর নিউজতা - লমদমসিগী ইন্দিজিনস পিপলশিং কলহৌদ্রবদি তুংগী মীরোলশিং চকনি ফীনিবগুম লৈহৌরগনি হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম এঙ্কর কলমদা হেদলাইন তৌরি।আর.সি.এস উরানগীমখাদা চিফ মিনিস্তরদা ইম্ফাল তমেংলোং, ইম্ফাল-জিরিবাম হেলি সার্ভিস হৌদোকখ্রে হায়বা পাউ অহানা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লমায়দা ফোংলি।

সনা লৈবাক্তা লম্ফেল পাৎ কন্ননবা তৌথাবদা মনিপুরগী এন.আই.তিগী কেম্পস লুপখিদৌরে, পায়খৎলিবা প্রোজেক্ট অসিগী চৈথেং শিজি হোস্পিতালসু ফংলবা য়াই হায়বা পাউনা অহানবা হেলাইন তৌরি। মিঠাদোন ট্রিমেন্তনা দ্রগতা লাইশুরবা নহা কয়াগী লিচৎ হোংহন্নবা লম্বী পীরি হায়বা অখন্নবা পাউ অমসু এঙ্কর কলমদা ফোংলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা - ইং ১৯৬১গী মতুংদা চংলকখিবশিং ইলিগেল ইমিগ্রেন্টশিংনি হায়বা চিফ মিনিস্তরগী ৱাফম অহানবা হেদলাইন তৌরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরিদা - সব দিবিজননা হেদক্বাটরস খুদিংদা ফায়র -সব ষ্টেসন থমবা থৌরাং তৌরি হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

গানফিউ মেলদা - ষ্টেট অসিগী অহানবা ৱাটর এম্যুসমেন্ত পার্ক চিফ মিনিস্তর এন.বিরেননা শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউ অমসুং এন.আই.এনা য়ু.এন.এল.এফ পান্বৈগী লুচিংবা য়াওনা অহুম ফাখিবগী পাউ অহানবা লমায়দা ফোংলি। পাউ অসি তমেংলোং টাইমসতসু অহানবা লমায়দা হেদলাইন তৌরি।

তমেংলোং টাইমসতা- তমেংলোংগী এম.এল.এ জাংহেমলুং পামৈনা পুচি খুলগী সা-লু-খোন প্লেগ্রাউন শঙ্গাখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেসতা - অঙ্গামি অমসুং মাওগী মরক্তা লৈরিবা লমগী চয়েৎনবা অসি শান্তি ওইনা ৱারোইশিন পুরকবা অনসমনা আপিল তৌরি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

---**ঙাক্টোই**--